**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-09-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৫-০৯-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা আইন কাইনা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) রাজ্য সভাগী এম.পি অধিকারিময়ুম শর্দানা অগরতলাদা খোঙশাং ফাওবা চেল্লিবা জন সতাব্দি ত্রেন সার্ভিস জিরিবাম ফাওবা য়ৌহন্নবা কেন্দ্রগী রেলৱেজ মন্ত্রিদা তকশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নংহল্লবা নেপালদা ভারতনা নোংমদা পুং ১৮ গী মৈ পীরগনি হায়রি।

----

**গোবিন্দাস(এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট নিতিন নবিনগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা আইন

কাইনা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপা অমদি মসিনা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিদা অকাইবা পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা য়ামা কুপা খন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা, সাপম কুঞ্জকেস্বর এম.এল.এসু শরুক য়াখি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী গোবিন্দাসনা হায়-ৱারি শান্নবা অদুদা, আইন কাইনা মীতোপ কয়া চংশিল্লকপদগী মণিপুর মীয়ামা থেংনরিবা মীপাইবা কয়া অসি মুন্না খঙবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা জাতিগী থাক্তা চুনবা মওংদা ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনগনি হায়না শ্রী নিতিন নবিননা থাজবা পীরকখি।

মণিপুরগী দেমোগ্রাফিক ইন্তিগ্রিতি ঙাকপা হায়বসি মণিপুরগী মীয়ামগী তুংগী পুন্সি ঙাকপনি অমসুং ভারতপু হেন্না মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবনি হায়না শ্রী গোবিন্দাসনা হায়রি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা এন.আর.সি অপদেট তৌবা য়াওনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

**শর্দা(এল)ঃ** রাজ্য সভাগী এম.পি অধিকারিময়ুম শর্দানা অগরতলাদা খোঙশাং ফাওবা চেল্লিবা জন সতাব্দি ত্রেন সার্ভিস অসি জিরিবাম রেলৱে স্তেসন ফাওবা শাংদোকপীনবা কেন্দ্রগী রেলৱেজ মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোদা চেরোল অমা পীদুনা হায়জখ্রে। মহাক্কী চেরোল অদুদা, শ্রীমতি শর্দনা হায়-ত্রেন সার্ভিস অসি লৈতবনা জিরিবাম অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীওই কয়ানা চখোক চৎশিনদা মতম শাংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকদুনা লাক্লি। মীয়ামগী অৱাবা অসি য়েংলগা হায়রিবা ত্রেন সার্ভিস অসি জিরিবাম রেলৱে স্তেসন ফাওবা য়ৌহনবীনবা আপিল তৌখি।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা লেপ্পা লৈতনবা চথরকপা থিবা হুন্গী থবক্তা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৯ অমদি খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

অহুমশুবা অসাম রাইফলস অমসুং তেংনৌপল পুলিসকী কাংবু অমনা তেংনৌপল জিলাগী বোর্দর পিলর নম্বর ৮৭ মনাক্তগী পি.এল.এগী মীওই অনি ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মোইদাংপোক্তগী কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী কাদরনি হায়বা মীওই অমা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখি। থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক বজারদা থি হুন্বগী থবক চথবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ৩১ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা য়ু.এন.এল.এফ(নিঙোল মচা)গী কাদর অমসু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফাখি। নুমিৎ অসিদা, কে.সি.পি(অপুনবা)গী কাদর অমা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েল খোঙবাল লৈরক অচৌবদগী ফাখি।

অমরোমদা, অককবা পাউ অমা ফংবদগী ককচিং পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী ৱাংঙু নোংয়াইখোঙ এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীওই অমা খূৎশু খূৎলাই কয়াগা লোয়ননা ফারে। মঙোন্দগী ইন্সাস রাইফল ১, থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১ অমদি কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎলে।

মরক অসিদা, থৌবাল পুলিস কম্মান্দো অমসুং লিলোং পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা লিলোং উশোইপোকপীদগী মীওই অনি দগ্রকা কোন্ননা ফারে। মখোয়দগী এস.পি কেপসুল ১৮২ অমদি হেরোইন গ্রাম ১৩৩ ফাগৎলে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মন্ত্রিপুখ্রি মন্দির মনাক্তা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা হৈঙাং পুলিসকী কাংব্ অমনা মীওই অমা হেরোইন নম্বর গ্রাম ২৯ গা কোন্ননা ফাখি।

**তামেংলোং (এল)ঃ** হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা তামেংলোং জিলাগী তোলেন খুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মতৈ মনাও লৈখিদবা অমদি মখোয়গী

পীক্লিবা মচা নুপাবুনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদ্ নেসনেল ইনভেষ্টিগেতিভ এজেন্সী (এন.আই.এ)দা শিন্ননবা মণিপুর সরকার অমদি জে.এ.সিগা য়ান্নখ্রে।

ঐখোয়গী তামেংলোং পাউমী রিংবম কামৈনা হায়- থৌদোক অদু এন.আই.এনা থিগৎহন্নবা মণিপুর সরকার অমসুং জে.এ.সি অনিগী মরক্তা ঙরাং য়ান্ন-চেরোল অমা সহী তৌনখি। মণিপুর সরকারগী মাইকৈদগী তামেংলোংগী এস.পি অমসুং তাউশেমগী এস.দি.ওনা মহুৎ শিনখি। য়ান্ন-চেরোল অদুগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা শোক্লবা অঙাং নুপামচা অদুগী লায়েংবদা সরকারনা তেংবাং পীবা অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুংদা ক্ষেত্রিপুরোন পীবা হায়না য়ান্নখি। তোলেন খুল কৈমাহ থিংতাবুং অমদি কুলবুং খুলগী অকোইবদা মতিক চাবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থম্বা হায়নসু য়ান্নখি।

**আর্কাইভ (এল)ঃ** ৪৪ শুবা আর্কাইব ৱিক সেলেব্রেসন অমসুং রেকোর্দ এগজিবিসন ঙসিদগী ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবস কমপ্লেক্সতা হৌরগনি। হৌদোকপগী নুমিত্তা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেন অমসুং আর্ট এন্দ কলচর সেক্রেটরি নাওরেম প্রবিন সিংহ শরুক য়াগনি। ঙসি হৌদোকপা নুমিত্তা মণিপুর ষ্টেট আর্কাইবসকী নৌনা শাবা নিউ স্তেক রুম বিল্ডিং মুখ্য মন্ত্রিনা শঙ্গাবগা লোয়ননা মণিপুরগী হিষ্ট্রি অমসুং হেরিতেজ কয়া উৎপা রেকোর্দ এগজিবিসন হাংদোক্কনি। থৌরম অদুদা, 'কোলোনিয়েল রুল রেকোর্দস ওফ মণিপুর' হায়না মিংথোনবা আর্কাইবকা মরী লৈনবা লাইরিক অমসু ফোঙগনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাদা থা অসিগী ১৭ তগী হৌগদোরিবা সেভা সনকল্প অভিয়ানগা মরী লৈননা মীফম অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনর বিদ্যামারি শ্রীধারনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা দিপ্যুরিতি

কম্মিসনরনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা কেম্পেইন অসি মাই পাকা পাঙথোকবগীদমক বিভাগশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নিংথিনা মতেং পীননবা খঙহন্নখি।

**পৱরঃ** হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা অৱাবা নংহল্লবা নেপালদা ভারতনা নোংমদা পুং ১৮ গী মৈ পীরগনি হায়রি। ভারত সরকারনা চহী অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা নেপাল হলেক্ত্রিসিতি ওথোরিতিদা নোংমদা পুং ১৮ মৈ পীনবা অয়াবা পীখ্রে। পৱর মন্ত্রালয়না হায়-মুজাফুরপুর-ধলকেবর লাইনগী খুথাংদা মৈ মেগাৱাট ৬০০ অদুগা, তনকপুর-মহেন্দ্রনাগর লাইনগী খুথাংদা মৈ মেগাৱাট ৫৪ পীনবা অয়াবা পীখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি, হন্দক থোকখিবা খঙহৌদবা ঈচাওনা নেপালগী হাইদ্রোপৱর ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমাং অতা থোকহন্দুনা লৈবাক অসিদা মৈ ফংদবগী চাওনা অৱাবা মায়োকদুনা লাক্লি। ভারতকী মাইকৈদগী মৈ পীগদৌরিবা অসিনা নেপালগী মীয়ামা হৌজিক থেংনরিবা মৈ ফংদবগী খুদোংচাদবা খরমখৈ হন্থহনবা ঙম্লগনি।

**ব্রিক্সঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা নিউ দেল্লিদা ১৮ শুবা ব্রিক্সকী মীফম মাই পাকা পাঙথোকপা ঙমখিবদা মালেমগী লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা ভারতপু থাগৎলক্লি। নুমিৎ নিনি চথখিবা ব্রিক্স মীফম অদু নিউ দেল্লি লোইশিনখি। ব্রিক্সতা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লিবা লৈবাক ১১ য়াওরি। ব্রিক্সতা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী মীশিংনা মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫০ ওইরি। অদুগা, গ্লোবেল জি.দি.পিদা চাদা ৪০ ওইরি। রসিয়াগী রাস্ত্রপতি ব্লাদিমির পুতিন অমসুং চাইনাগী রাস্ত্রপতি সি.জিনপিং য়াওনা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখিবা ব্রিক্সকী মীফমনা থাংজ নুমিত্তা নিউ দেল্লিগী ৱারেপ মোৎ অমত্তা ওইনা লৌখি। হায়রিবা ৱারেপ অদুদা, ব্রিক্স মীফম পাঙথোকপগীদমক ভারত সরকার অমসুং লৈবাক

অসিগী মীয়াম্বু মালেমগী লুচিংবশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

এন.আর.সিগী মতাংদা পোলিতিকেল পার্তিশিংগা সি.এস.ওশিংগা অপুনবা মীফম পাঙথোকখ্রে, এশেমল্লিদা লৌখিবা বারেপ অদু গেজেটতা থোকহন্নবা হোৎনখ্রে হায়না- পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- এন.আর.সি তৌনবা দিমান্দ বি.জে.পিগীনি, ২০২২ ইলেক্সনগী মেনিফেস্তোদা য়াওখ্রবা ৱাফমনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

রিজনেল পার্তিশিংগী কোওর্দিনেতিং কম্মিতি শেমখ্রে হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা কন্ত্রেকচ্যুএল এমপ্লোয়িশিংবু রিগ্যুলরাইজেসন তৌবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- থাঙ্গাল কৈথেলগী মীহাৎতা চেন্নবা মীওই অনি জ্দিসিয়েল কস্তদি রিমান্দ পীখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- মীওই ৪ হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে, থৌদোক অদুবু এম.এল.এশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি হায়না অহানবা

হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- সি.বি.সি রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা হিন্দি নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- তোলেন খুলগী মীহাৎকা মরী লৈননা এম.ও.য়ু সাইন তৌনখ্রে, এন.আই.এদা শিন্নবদা য়ান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- বর্থ এন্দ দেথ রেজিস্ট্রেসন সার্তিফিকেট সেক্সন দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তামেংলোংদা হোংখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- রাজ্য অসিদা ফুরুপশিংগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকবা অমদি ফ্রি মুভমেন্ট লৈহন্নবা হোৎনরিবা পার্তিদি বি.জে.পি খক্তনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**